**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.45 PM**
**(Date: 07-05-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১)  খঙহৌদনা লান্দারকপদা মীচম মীয়াম শোক্তনবা চেকশিন থৌরাং লৌবগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহন্‌বগী থৌরম ঙসি মণিপুরদসু মফম মঙাদা পাঙথোকখ্রে।

২)  রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লানা চান্দেল জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট লাইব্রেরী অমসুং জিলা অসিগী ওইবা মনিপুর আই.টি. সেন্টর শঙ্গাখ্রে।

৩) ইজ্‌কেসন (এস)কী দাইরেক্তর এন.জি. ভোগেন্দ্র মৈতৈনা হায়রি- স্কুলশিংদা ভেন য়াওনা অতৈ গাড়িশিংনা অঙাং মশিং হেন্না হাপচিনদুনা পুবা হয়েংদগী য়েংশিল্লগনি।

৪)  ভারত লান্মীনা ওপরেসন সিন্দুর মায় পাকা পাঙথোক্লুনা তেরোরিষ্টশিংগী লোৎফম ৯ লান্দাদুনা থুগাইখ্রে।

অমসুং

৫)  ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা হায়রি- ওপরেসন সিন্দুরদা ভারত লান্মীনা মখোয়গী থৌনা অমদি হৈ শিংবা উৎতুনা অনৌবা ইতিহাস অমা শেম্লে।

------

ড্রিল (এল)ঃ  লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংগা লোয়ননা মণিপুরদসু ঙসি খঙহৌদনা লান্দারকপদা মীচম মীয়াম শোক্তনবা চেকশিন থৌরাং লৌবগী থৌওংশিং মীয়ামদা উৎতুনা খঙহন্‌বগী থৌরম ঙসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা

পাঙথোকখি। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা ঙসি নুংথিল ইম্ফাল এরিয়াদা অহৌবা সাইরেন খোংদুনা সিভিল দিফেন্সতা মথৌ তৌরিবা মীওইশিংনা মতৌ করমা খঙহৌদনা লানদারকপদা মীচম মীয়াম শোক্তনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপা অমদি মী কনবগী শক্তমশিং উৎখি।

ইম্ফালগী জোনষ্টোন স্কুল, বি.টি. পার্ক, মণিপুর ষ্টেট ম্যুজিয়ম অমসুং মণিপুর ফয়ার সার্ভিসকী অকোইবদা পাঙথোকখিবা চেকশিন থৌরাংশিং খঙহন্নবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

খঙহৌদনা লান্দারকপগী চেকশিন থৌরাংশিং মীয়ামদা খঙহনবগী থৌরম বিষ্ণুপুর জিলাগী নিংথৌখোংদা পাঙথোকখি।

চুরাচান্দপুর জিলাদসু জে.এন.ভি. তুইনোম চুরাচান্দপুরদা থৌরম অসি পাঙথোকখি।

উখ্রুল জিলাগী ওইনা উখ্রুল হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা ঙসি নুংথিল মীয়ামদা খঙহনবগী থৌরম অসি পাঙথোকখি।

ভাল্লা (এল)ঃ রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লানা ঙসি চান্দেল জিলাদা চত্তুনা দিষ্ট্রিক্ট লাইব্রেরী অমসুং জিলা অসিগী ওইবা মনিপুর আই.টি. সেন্টর শঙ্গাখ্রে।

দি.সি. ওফিস কমপ্লেক্স মিণি সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা রাজ্যপালনা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ওফিসারশিং অমদি মফম অদুগী সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংগা ৱারী শান্নখি। মদুদা মখোয়না পুখৎলকপা ৱাফমশিং লৈঙাক্কী মাইকৈদগী লৌখৎপা য়াবা থবকশিং শোইদনা লৌখৎকনি হায়না রাজ্যপালনা থাজবা পীরমখি।

সর্ভে (এল)ঃ সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজনগী মীহুৎ কাংবু অমনা লাঙ্গোল রিজার্ভ ফোরেষ্টকী চীংশাং পরেংশিংদা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে। খোঙচৎ অদুদা খোঙহামপাৎকী অকোইব মফমশিংদা মরুওইনা য়েংশিনখি।

রাজ্য সরকারগী সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজনগী দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসারগী চেরোল অমনা হায়- খোঙচৎ অদু ফোরেষ্ট রেঞ্জ ওফিসার কিরনজিৎ

য়ুমাম অমসুং শোরোকখায়বম রোবার্টসন য়াওনা অতৈ ফোরেষ্টকী ষ্টাফশিংনা শরুক য়াখি। খোঙচৎ অদুদা উমংদা মীওইবনা পীরিবা চৈথেংশিং, মরুওইনা আইন্না য়াদবা মওংদা রিজার্ভ ফোরেষ্টকী মফমশিংদা আইন কায়না লৈশিনবা, মফম অসিদা ফত্ত-হাউদি লাংথোকপা অমসুং উ-ৱা য়ানথৎপনচিংবশিং কুপা য়েংশিনখি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়- হায়রিবা থবকশিং অসিনা রিজার্ভ ফোরেষ্টকী ওইরিবা মহৌশাগী ফিভমদা চাউনা অকায়বা পীরি। অসিগুম্বা থবকশিং চখবা মীওইশিংগী মথক্তা ইন্দিয়ান ফোরেষ্ট এক্ট, মণিপুর ফোরেষ্ট রুলস অমসুং ফোরেষ্ট কঞ্জার্ভেসন এক্টকী তোঙান তোঙানবগী সেক্সনগী মখাদা চৈরাক ফংগনি।

ভেন (এল)ঃ ইজ্‌কেসন (এস)কী দাইরেক্তর এন.জি. ভোগেন্দ্র মৈতৈনা হায়রি- স্কুলশিংদা ভেন য়াওনা অতৈ গাড়িশিংনা অঙাং মশিং হেন্না হাপচিনদুনা পুবা হয়েংদগী য়েংশিল্লগনি।

ইম্ফালদা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা শ্রী ভোগেন্দ্রনা হায়- অসিগুম্বা থৌওংশিংনা অঙাংশিং শ্বোর হোনবা ৱাবা অমদি অতৈ খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লি। করিগুম্বা মতমদা এক্সিদেন্ট থোকপা ফাওবা য়াওরিবনি। মহাকা হায়- মসিগী মথক্তা চহি শুদ্রিবা মহৈরোইশিংনা চাকা অনি পানবা গাড়ি তোংদুনা মহৈ মশিং তম্বা চৎপা অসিসু আইনগী মীৎয়েংদদি য়াদে। অসিগুম্বশিং অসি য়েংলগা ইজ্‌কেসন বিভাগনা হয়েংদগী হৌদুনা ত্রাফিক পুলিস য়াওনা দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিংনা য়েংশিনবা হৌরগনি। হায়রিবা কাংবুশিং অসিনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চত্তুনা মহৈরোইশিং স্কুলদা থিল্লকপগী মওং মতৌশিং য়েংশিনগনি।

ইলেক্তোরেল রোল (এল)ঃ ফোর্তিনাইন তদুবী বিধান সভা কেন্দ্রগী ওইনা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোংখিবা ফাইনেল ইলেক্তোরেল রোলদা অশোই অঙাম লৈবশিং রিপ্রজেন্টেসন ওফ দ পিপল এক্ট ১৯৫০ গী সেক্সন ২৪-এগী

মখাদা সেনাপতিগী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসারদা আইবা চেরোল পীশিল্লকপা য়াগনি। মসিগী মতাংদা জোইন্ট চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসার রামানন্দ নোংমৈকাপ্পমনা চেরোল অমা থোকখ্রে।

রোমেন (এল)ঃ রাজ্য অসিদা ময়াই কাবা নিশাদা লাইচুরবা মীওইশিংবু নিংথিনা লায়েংদুনা মহৌশাগী পুন্সিদা হল্লকবা হোৎনবদা লমদমসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা রিহেবিলিতেসন সেন্তর অমদি দি এদিক্সন সেন্তরশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরি। অসিগুম্বা রিহেবিলিটেসন সেন্তরশিং অসিগী মনুংদা ইম্ফালদগী কিলোমিতর ২২ রোম চৎলগা বিষ্ণুপুর জিলাগী লৈমরাম অৱাং লৈকাইদা লৈবা ৱারিয়র রিহেবিলিটেসন সেন্তর ফোর এদিক্সসু অমনি।

অকাশবানি ইম্ফালগী পাউমীনা হিরম অসিগী মতাংদা কোইনা চত্তুনা য়েংলদুবদা সেন্তর অসিগী ওফিসিয়েলশিংনা হায়- ইং ২০২১ দগী লিংখৎখিবা সেন্তর অসিনা হৌজিক ফাওবদা মীওই লিশিং ১ রোমদা ময়াই কাবা নিশা থাদোকবা লায়েং চথখ্রে। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা মীওই মীওই ১৫০ রোমদি মপুং ফানা ফদুনা মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিনখ্রে।

সেন্তর অসিনা লৌরিবা থৌদাং অসিবু শকখঙদুনা শিংজমৈ থোঙাম লৈকাইদা লৈবা থৌনাউজম চাউবা মেমেরিয়েল চেরিতেবল ট্রষ্টকী মেনেজিং ট্রষ্টি থৌনাউজম রোমেনগী মাইকৈদগীসু ঙসি সেন্তর অসিদা চত্তুনা সেন্তর অসিগী ওফিসিয়েলশিংবু পুকিং থৌগৎপগা লোয়ননা অঙম্বা মতেংশিং পীরগনি হায়না ফোংদোকখ্রে।

স্কোলারসিপ (এল)ঃ হৌখিবা ফেব্রুৱারিগী ২৩ দা পাঙথোকখিবা ক্লাস থ্রি, ফাইভ অমসুং আইটকী মহৈরোইশিংগী ষ্টেট কম্পিতিতিভ স্কোলারসিপ একজামিনেসন ২০২৪-২৫ গী ফল লাউথোক্লে। খল্লবা মহৈরোইশিংনা লমফেলপাৎতা লৈবা দিরেক্তোরেট ওফ ইজ্‌কেসন (এস)কী সাইন্স য়ুনিটতগী থা অসিগা ১২ দগী ১৬ ফাওবগী মনুংদা ফোর্ম লৌরবা য়াগনি হায়রি।

হোম গার্দ (এল)ঃ হোম গার্দ মণিপুরগী সেনিয়ারিতি লিষ্ট শেমদবগী মতাংদা মথং থাগী ১৬ ফাওবগী মনুংদা পাউখুম অমা পীরকবা রাজ্যগী হোমগী কম্মিসনার, দি.জি.পি কম কম্মান্দেন্ট জেনেরেল হোমদা হাই কোর্টনা নোতিশ অমা পীখ্রে।

মণিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়ি ৱেলফ্যার এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট য়াংলেম মঙ্গিনা পাউমীশিংদা হায়- এসোসিয়েসন্না তাল্লিবা দাবীশিং পুন্না খঙমিন্ননবা মীফমশিং থা অসিগী ১১ দগী হৌদুনা মথং থাগী ১৫ ফাওবা নোংমাইজিং নুমিৎ খুদিংগী জিলা খুদিংমক্তা লৈবা হোম গার্দকী বত্তাল্লিয়নশিংদা পাঙথোক্কনি।

ত্রেনিং (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট হোর্তিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন থৌবালনা শিন্দুনা লৌমীশিংগী পোত্থোক অমদি শেন্থোক হেনগৎহন্নবগী পান্দমদা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী কনফরেন্স হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থোরম অদুদা ককচিংগী দিপ্যুতি কম্মিসনার রোহিত আনন্দ অমসুং মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়া শরুক য়াখি।

লান্মী ঃ ভারত লান্মীনা ওপরেসন সিন্দুর মায় পাকা পাঙথোক্তুনা পাকিস্তান অমসুং পাকিস্তান্না খুদুম জম্মু-কাশ্মীরগী তেরোরিষ্টশিংগী ত্রেনিং তৌফম অমসুং লোৎফম ৯ দা লান্দাদুনা চাউনা অমাং অতা থোকহনখ্রে।

ঙাকশেল মন্ত্রালয়গী পাউনা হায়- থৌদোক অদুদা পাকিস্তানগী লান্মীশিংনা লৈবা মফমশিং অমত্তা শোকখিবা লৈতে। থৌদোক অসিদা ভারতনা তেরোরিষ্টশিংগী লৈফমশিং খক্তমক খন্দোক্তুনা অখন্ননা লান্দাবা ঙম্মী হায়বদু ময়েক শেংনা উৎলে।

পহলগাম টেরোরিষ্ট এটেক্তা নেপাল মচা অমা য়াওনা পুন্না মীওই ২৫ লৈখিদবা অদুগী তুংদা লৈবাক অসিনা তৌফম থোকপা থৌদাং অমনি খন্দুনা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি।

রাজনাথ ঃ ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা হায়রি- ওপরেসন সিন্দুর মায়

পাকা পাঙথোক্তুনা ভারত লান্মীনা মখোয়গী থৌনা অমদি হৈ শিংবা উৎতুনা অনৌবা ইতিহাস অমা শেল্লে।

নিউ দিল্লিদা ঙসি পাঙথোকপা বোর্দর রোড ওর্গনাইজেসন ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্ট ৬ শঙ্গাবগী থৌরমদা শ্রী সিংহনা হায়- আর্মদ ফোর্সেসনা নিংথিনা শেম শাদুনা অখন্ননা খন্দোক্লবা মফমশিং খক্তদমক লান্দাবা হায়বসি য়ামা শিংথানিঙাই ওইবা থবক অমনি। মসি ভারতনা মশাগী হক অমদি তৌফম থোকপা থৌদাং মশক খঙনা পায়খৎলকপা খোঙথাং অমনি।

সাহ ঃ গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা সভাপতি ওইদুনা ঙমখৈ রাজ্যশিংগী মুখ্য মন্ত্রিশিং, দি.জি.পিশিং অমদি চীফ সেক্রেটরিশিংগী ওইবা মীফম অমা ঙসি নিউ দিল্লিদা পাঙথোকখ্রে। ওপরেসন সিন্দুর মায় পাকা পাঙথোকখ্রবা মতুংদা ফমখিবা মীফম অদুদা জম্মু কাশ্মীর, পঞ্জাব, রাজস্থান, গুজরাত, উত্তরাখন্দ, উত্তর প্রদেশ, বিহার, সিক্কিম অমসুং নোংচুপ বেঙ্গলগী মুখ্য মন্ত্রিশিং, লদাখ, জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী উপ-রাজ্যপালশিংসু শরুক য়াখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোল (এল)ঃ অনিসুবা প্রেমিয়র লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি লমলোং থোংখোঙ আর্তিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা ক্লাসিক ফুটবোল একাদমিনা অংথা এফ.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

ফুটবোল (এল)ঃ সিটি ক্লব গ্রাউন্দ হৈরোক লিতান মখোঙদা চথরিবা অহুমশুবা মাইপাকপী মেমোরিএল ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা- পরাস এফ.সি. হৈরোকনা শিংজমৈ এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-০ দা, দব্লিউ.এ.সি শিংজমৈনা তেরা এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-০ দা অমসুং তোম্বী এফ.সি. লিলোংনা ইরেংবন এফ.সিবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি।

ফুটবোল (এল)ঃ  তকৱা ত্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা জি-ফাইভ হৈরোকা গল্লি এফ.সি খাঙবোকপু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ  ১০ শুবা টি.ঐচ. কুমার সিংহ মেমোরিয়েল ষ্টেট লেবেল লিগ কম নোক আউট ওপন তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচশিংদা- তাইদা-এ তৌবুলনা তাইদা-বি তৌবুলবু পাঞ্জল ২-১ দা অমসুং পিনেকল এফ.সি পুংদোংবমনা য়ু-সভেন্তিন তৌবুলবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখি।

ক্রিকেট (এল)ঃ  অহুমশুবা এম.এন.সি.এ. ৱিমেন্স অন্দর নাইন্তিন ৱান ডে ত্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা অল অমিন লিলোংনা টি.সি.এম.দি.সি থোংজ পার্ট-টু পেচু লম্পাকপু ৱিকেট ৬ তা থোইখ্রে।

অহুমশুবা এম.এন.সি.এ. মেন্স অন্দর নাইন্তিন ৱান ডে ত্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ই.এস.য়ু ৱাংখৈ পেলেস কম্পাউন্দনা সাইক্লোন থাংমৈবন্দবু রন ৪২ দা, পি.সি.সি ময়াই কোইবীনা ত্রাউ ক্বাকৈথেলবু রন ১৭৪ দা অমসুং মোদেল শিংজমৈ চীংঙা মখানা সেদো থাংমৈবন্দবু ৱিকেট ৪ দা থোইখি।

------